ইম্ফাল ৱেষ্টকী সুব্রোতো মুখর্জি ফুটবোল হৌখ্রে

# চহী ১৪ মখাগীদা নিল্লমনি ইংলিশ স্কুল অমদি মালোম মেগা হায় স্কুল সেমি চঙখ্রে




*ইম্ফাল, জুন ১০ঃ* দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফিয়ার্স এণ্ড স্পোর্টস ওফিস ইম্ফাল ৱেষ্টনা শিন্দুনা ঙসিদগী খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা ফুটবোল প্রেকটিস ফিল্ডদা চহী ১৪ অমদি ১৭ মখা নুপামচাগী ওইবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ইন্টর স্কুল সুব্রোতো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ হৌখ্রে।

চহী ১৪ মখাগীদা নিল্লমনি ইংলিস স্কুল ময়াং ইম্ফাল অমদি মালোম মেগা হায় স্কুল সেমি ফাইনেল চঙখ্রে। চহী ১৭ মখা নুপামচাগীদা সি টি হায়র সেকেন্দরি স্কুল ময়াং ইম্ফাল অমদি লিটল মাষ্টর ইঙলিস স্কুল শামুরৌ সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

নোক আউট বেসিস্তা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অয়ুক্তা শান্নখিবা চহী ১৭ মখাগী ক্বার্টর ফাইনেলগী মেটচতা সি টি হায়র সেকেন্দরি স্কুল ময়াং ইম্ফালনা নিল্লমনি ইংলিস স্কুল ময়াং ইম্ফালবু গোল ২–১ দা মায়থীবা পীরগা সেমি ফাইনেল চঙখিবনি। সি টি হায়র সেকন্দরি স্কুলগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু পিয়ানন্দা অমদি হেম্বোইনা ৩৮ অমসুং ৪৫ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

নিল্লমনি ইংলিশ স্কুলগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা এল দিনেশনা ৭ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।



*চহী ১৪ মখা নুপামচাগী নিল্লমনি ইংলিস স্কুল অমদি রোয়েল একাদেমি ওফ এদভান্স লর্নিংনা শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা নিল্লমনিগী এম চলাম্বনা বোল অমা ক্লিয়র তৌখিবা*

চহী কাংলুপ অসিগী ওইনা শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেলদা লিটল মাষ্টর ইংলিশ স্কুল সামুরৌনা লিলাশিং খোঙনাংখোঙ হায়স্কুল থাংমৈবন্দবু গোল ১–০ দা মায়থীবা পীরগা সেমি ফাইনেল চঙখিবনি। লিটল মাষ্টর ইঙলিশ স্কুলগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা পি শমানন্দনা ১২ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

নুংথিলগী অহানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা চহী ১৪ মখাগী ক্বার্টর ফাইনেলদা নিল্লমনি ইংলিশ স্কুল ময়াং ইম্ফালনা রোয়েল একাদেমি ওফ এদভান্স লর্নিং টোপ সিফাইবু টাই ব্রেক্তা গোল ৫–৩ দা মায়থীবা পীরগা সেমি ফাইনেল চঙখিবনি। মেটচ অদুগী অপীবা মতমগী মনুংদা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্মখিদে। নিল্লমনি ইংলিস স্কুলগী টাই ব্রেক্কী গোলশিং অদু জারমৈ রঙ্গুই, সেমচুংনিং, রতন, সি ঐচ কমান্দর অমদি এম চলাম্বনা চনখিবনি। রোয়েল একাদেমি ওফ এদভান্স লর্নিংগী গোলশিং অদুনা ইমরান খান, সি ঐচ দেবিদ অমদি টি ঐচ সোমোর্জিৎনা চনখিবনি।

অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেলদনা মালোম মেগা হায় স্কুলনা ময়াং লাংজিং হায় স্কুলবু গোল ৬–০ দা চাওনা মায়থীবা পীরগা সেমি ফাইনেল চঙখিবনি। মালোম মেগা হায় স্কুলগী গোলশিং অদু এ কে নোঙানবনা ২ অমদি ১৮ শুবা মিনিটতা অনী, টি ঐচ নিলকান্তনা ১৯ অমদি ৩৪ শুবা মিনিটতা অনী, এস নাওবা অমদি এ সুরঞ্জয়না মথংশিৎনা ৯ অমসুং ১১ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা চহী ১৪ মখা নুপামচাগী ওইনা টিম ৮ অমদি চহী ১৭ মখাগীদা টিম ৬ না শরুক য়ারি।

# সমরেন্দ্র নীংশিং কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা ষ্টেট লেভেল চৈবী চেম্পিয়ন্সিপ পাঙথোকখ্রে




*ইম্ফাল, জুন ১০ঃ* অরাম্বম সমরেন্দ্র লৈখিদবগী ১৪ শুবা নীংশিং কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা ওল মণিপুর চৈবী এসোসিয়েসননা শিন্দুনা ঙরাংদগী হৌদুনা লাইনিংথৌ হনবা কম্যুনিটি হোল খুরাই লমলোং চিঙাংবম লৈকাইদা অনীশুবা ষ্টেট লেভেল কেদেট চৈবী টুর্নামেন্ট ২০১৪ পাঙথোকখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিগী চহী ১৭ মখা নুপামচাগী কে জি ৪৫ দগী ৫০ গীদা মিসিখোলগী সঞ্জ্রাম্বম দেববর্তনা গোল্ড, পহুলাসিগী লুক্রাম হেম্বোইবনা সিলভর অমদি এন দি এগী কে ঐচ নেত্রজিৎনা ব্রোঞ্জ লৌখ্রে। চহী কাংলুপ অসিমক্কী নুপীমচাগীদা ককচিংগী এম সি মিরানা গোল্ড, পহুলাসিগী টি ঐচ দয়ালক্ষমীনা সিলভর অমদি মিসিখোলগী সেঞ্জম উর্মিলানা ব্রোঞ্জ লৌখি।

নুপামচাগী কে জি ৫০–৫৫ গীদা মিসিখোলগী এস মিশালনা গোল্ড, কে ৱাই এলগী কে রাকেশনা সিলভর অমদি মিটালগী এল সলাইঙানবনা ব্রোঞ্জ লৌখি। নুপীমচাগীদা মিটালগী এস মৈতৈলৈমনা গোল্ড, পহুলাসিগী টি ঐচ দিপদয়ানা সিলভর অমদি মিসিখোলগী এল সালিয়ানা ব্রোঞ্জ লৌখি।

নুপামচাগী কে জি ৫৫–৬০ গীদা পহুলাসিগী এস রোমেননা গোল্ড, মিসিখোলগী এস মনিখোম্বনা সিলভর অমদি সলাইগী এল মোমোচানা ব্রোঞ্জ লৌখি। নুপামচাগীদা মিসিখোলগী লাইরেনলাকপম ওলিভিয়ানা গোল্ড, ককচিংগী এম বিদ্যাপতিনা সিলভর অমদি মিটালগী এল সনাতোম্বীনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

নুপামচাগী কে জি ৬০–৬৫ গীদা পি সি সি গী খোইস্নাম আকাশনা গোল্ড, পহুলাসিগী ৱাহেংবম দুহেশনা সিলভর অমদি মাস্তাগী খুলেম এলেক্স মৈতৈনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

## এন বি সি এ (বি)না য়ুঠ ফোরম থোইখ্রে


*ইম্ফাল, জুন ১০ঃ* নম্বুল ব্রিং কলচরেল এসোসিয়েসন (এন বি সি এ) টাকয়েল খোঙবাল মনিং লৈকাইনা শীন্দুনা এসোসিয়েসন অসিগী গ্রাউন্দদা চথরিবা এন বি সি এ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ (বি)গী মেটচতা এন বি সি এ (বি) টাকয়েল খোঙবালনা য়ুঠ ফোরম টেরা তোংব্রম লৈকাইবু গোল ৩–২ দা মায়থীবা পীখ্রে।

এন বি সি এ (বি) অমদি য়ুঠ ফোরমনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী এন বি সি এ (বি) গী মায় পাকপগী গোলশিং অদু এন হেলিম, সনাথোই অমদি টোন্দোনবনা মথংশিৎনা ২১, ৩০ অমদি ৫৭ (পেনাল্টি) শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি। য়ুঠ ফোরমগী গোল অনী অদুনা কিষন অমদি কেনিকোক্সনা ১৩ অমসুং ৪৫ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

## ফিফা এম এ রেফরিং কোর্স

*ইম্ফাল, জুন ১০ঃ* চৎলিবা চহী অসিগী জুলাই অমদগী ৫ ফাওবা নিয়ু দিল্লিদা কেটাগোরি–১ রেফরিশিংগী ওইবা ফিফা এম এ রেফরিং কোর্স পাঙথোক্লগনি।

কোর্স অসিদা শরুক য়াননবা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা মণিপুরগী রেফরি ৪ শরুক খল্লক্লে। রেফরিশিং অদুদি আই রবিচন্দ্র সিংহ, ঐচ খম্বা সিংহ, এল অজিৎ সিংহ অমদি এল প্রিয়োবর্ত্ত সিংহনি। রেফরিশিংনা কোর্স পাঙথোক্কদৌরিবা মফমদা থা অসিগী ৩০ দা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরি এল রঞ্জিৎ রোয় সিংহগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।


















Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490 *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*